## এডিটোরিয়েল

### লৈঙাকসিনা করি এক্সন লৌগদৌরি

হৌজিক ফাওবগী ওইনা নৎত্রগা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নেস্নেল হায়ৱেশিংগী ওইবা ৱাফমদা থেংনরিবসি ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বী হায়বদি এন ঐচ ২ অমদি এন ঐচ ৩৭ গী পাউশিং অসিনি। মসিদা খ্বাইদগী শাথিনা অৱাবা থেংনরিবশিং অসি মণিপুরগী মীয়াম অসিগীদমক চান–থক্কবা অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুদুনা লাকপা ট্রকশিং অদুনা লম্বীদা অথিংবা লৈবদগী থেংনরিবা অৱাবশিং অদুনি। হায়নিংলিবদি ষ্টেট লৈঙাক অসিনা ড্রাইভরশিংগী অৱাবদুদা কদাইফাওবা য়ৌনা শরুক য়াখ্রবগে হায়বা অসিগা লোয়ননা এন ঐচ ২ দা য়ামখ্রবা সেক্যুরিতি ফোর্স পার্সোনেলশিং শীজিন্নদুনা গারী ময়াম অমা পন্দুনা লৈরম্বদগী পুথোরকখ্রবা মতুং মখা তানা দি আই জি অমদি আই জি না লূচিংবা টিম অমনা চংশিল্লগা নুং ইন্থরকই হায়দুনা কাঙপোকপীদগী হেন্না চৎপা য়াদবা মওংদা হল্লকখিবা অদু করিগীনো হায়বসিনি। হৌজিক্তি লৈঙাক অসিগী তঙাইফদবা পোলিটিকেল ওইবা হিরম কয়া অমসু লৈরম্লগনি অমদি মসিগী মখা তারকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা পীরকপা ইন্সট্রক্সনগী মতুংইন্না য়ু এন সি গী ব্লোকেদ অসি হন্দোক্কদবনি হায়বা য়াথং অমা য়াওবনা করিগুম্বা ব্লোকেদ অসি হন্দোক্তবা তারগদি মিনিষ্ট্রিনা করম্বা এক্সন লৌখৎকদৌরিবগে হায়বসিগী ৱাহং অমগা লোয়ননা করিগুম্বা এক্সন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা তৌগদবনি হায়বা তারগদি মপান্দগী থারকপা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অদুগী কান্নবা করিনো হায়বসি হংদবা য়াদে। মখোয়না নেস্নেল হায়ৱেগী সেক্যুরিতি ফোর্স অমা ওইরে হায়না লৌবা য়াবসু নত্তবনিনা লূরিবসি ব্লোকেদ চত্থরিবশিং অদুগী মথক্তা সুট–এট–সাইটকী ওর্দর অমগা লোয়ননা চংশিল্লকপা তারগদি হায়ৱেশিং অসি মতিক চানা ঙাক–শেল্লবা লম্বীশিং ওইগনি অমসুং মসিদা কনানসু থিংবগী মতিক লৈরোই হায়না লৌবা য়াই।

লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম অসি ষ্টেটকী সবজেক্ট ওইবনিনা হৌজিক্তি সেন্তরনা ষ্টেটতা থংজিল্লকপা য়াবা মরাল কয়া অমসু লৈরগনি। মদু ফংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঙসিগী ষ্টেট লৈঙাক অসিনা অরৈবা শক্তি পূম্নমক শীজিন্নদুনা হায়ৱে অনীমক্তা অপনবা অমত্তা পীদনবা মখল কয়াগী আইনগী ওইবা এক্সনশিং লৌখৎপা তাই। মদু চপ চানা পাল্লবা মতমদা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ষ্টেট সেক্যুরিতি ফোর্সকী মপাঙ্গল অসি শোয়দনা হেনগৎলক্কনি অমসুং মতমদুদা ব্লোকেদ তৌরিবা কাঙবু অদুগী মপাঙ্গল লৈরোই হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খঙলিবনি অমসুং থবক্তা উখোক্তবগী অৱাবদু থেংনবনি। মসিদি ঙমথোক্লবা অমা চঙবনিনা মীশি–মীনাগী থোইদোক্লা খন্নিংঙাই ওইদে অমসুং মণিপুরগী লম্বীদা চঙশিল্লকপা গারীশিংদা য়ৈখায়–থিনগাইবা পীবা হায়বসি য়াদে হায়বা লৈঙাকসিনা খঙহন্নবা থৌশিল অমদি পায়খৎপা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মণিপুর হায়কোর্টতা লানখৎচবা ৱাকৎ

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*বীরমঙ্গল কলেজ ইম্ফাল নোংপোক্কী অৱাং মায়কৈদা লৈবা ছাত্র লিশিং অনী হেন্না তম্বা কলেজনি। কলেজ অসি লিলোং হাওরৈবী কলেজদগী হেন্না লিরবা আইদেল গার্লস কলেজগা চহী অমত্তদা লিংখৎখিবা কলেজনি। অদুবু হন্না হন্না রাজনীতিগী অখুবা মিংয়েং চঙবদগী ঙসি ফাওবা সরকারনা লংথোক্তুনা থম্বীরি।*

*কলেজ অসিদা হৌনবা হৌনদবা আইন্না য়াবা য়াদবা থিদনা মতম মতমগী শক্তি পায়রকপা রাজনিতিৱালা অদুনা মখুৎ হেক্তা থিংজিন্দুনা সরখার শানা ওৎ–নৈবিবদা কনবীনবা কনাসু লৈতে। মরমদি কনবীগবা সরকার অদু রাজনিতিৱালা অদুনি। অরোইবা উপাইনি খন্না হায়কোর্টতা ৱাকৎচরবসু হায়কোর্টনা করিসু থৌশাবীদে। মসিনা ছাত্র খুন্নাইদদি খম থেংনা মাঙজবা ওইররে।*

*অঙকপনি, আইন্না সুকয়া য়াদবা, মণিপুর ইদুকেসন কোর্দকী চৎনরোল ৱাংমদা মতমদুগী ইম্ফাল ইষ্ট দি সি না চিয়রমেন ওইবা মেনেজিং কমিতি অমা সরকার অসিনা নমফুদা শেমজিল্লকই। অদুগা ওইফম সুকথোক থোক্তবা মীশক অমবু মথক্কী সেনিয়র ওঝা কুন কাল্লগা প্রিন্সিপাল হাপকনি হায়না থৌরাং তৌরকই। অদুবু ৱাথোক কয়া লাকপদগী কমিতিদু সরকারনা অমুক দিসমিস তৌখি। অদুবু নোক্লিংলিবদি দি সি মশামক্লা আইনবু শীংনদুনা হাপচিল্লম্বা লূক অফটর কৌবা খুৎশেমগী পোষ্ট অদুদি অদুমক লৈহৌরি। মসিদা হংনীংলিবদি আইন্না য়াদবা কমিতিনা হাপচিল্লম্বা পোষ্ট অদুদি আইন্না য়াব্রা? অদুবু লূক অফটর ওইরিবা মীশক অসিদদি ঐখোয়না দোষ তৌনিংদে। মরমদি মহাক মশামক মতীক চাজদবনি হায়না হন্না হন্না রিজাইন তৌজরবা মীশক্লি।*

*মীৎয়েং খুরবা থৌওংশিং অসিনা ঙসিদি কলেজ অসি কাংখোঙ চাইরে। চহী অমদা ছাত্র লিশিংলোমদা মিং চল্লম্বদু হন্দক্তি ছাত্র চনী ফানা মিং চনখিদ্রে। মরমদি প্রিন্সিপাল লৈতে, মিংচনগদবা মতমদা লূক অফটর অদুসু ময়ুমদা ফমদুনা লৈথোকখ্রে।*

*কাংখোং চাইরবা তাঞ্জা অসিদা অনৌবা জি বি শেম্বগী তাঞ্জা লাক্লে। অদুবু অৱাবদি সেক্রেটরীগী মীখলদা তাই তাখ্রে। অশোয়বা থিনরকপদা সরকারনা এপ্রুফ তৌদবা ওঝা অমা টি. আর. ওইনা ভোৎ থাদবা য়াওরম্রে। মাগী ভোৎ চৎনবা য়াই য়াদে য়েংনরকপদা মণিপুর হায়কোর্ট য়ৌনরে। ছাত্রশিংনা থাজরম্বদি ওনরেবল হায়কোর্টনা বিচার তৌবীরবদি অফবা কমিতি লাক্লগনি অফবা প্রিন্সিপাল হাপলগনি হায়বসিনি। অদুবু কদায়? বিচার অদু চহী অনী চুপ্পা নমশীন্দুনা থম্বীখ্রে। ঐখোয়না হায়কোর্টতা থমজবা আশাদু পুমকায় কাইরে। ওনরেবল হায়কোর্টকিদি ছাত্র খুন্নাই মাঙজবদা নাচুংবীরমদবা য়াই। অদুবু কলেজ অসিদি মুৎখিবা য়ানা লৈরে। মরমসিনা ওনরেবল হায়কোর্টতা থম্মোয় শোক্লা হায়জরি, বিচার অদু লোইশিনবীদুনা ঐখোয়গী অৱাবা কোকহনবীয়ু নৎত্রগা করম্বা চাবান থাদোক্লগা অশেংবা ৱায়েল ফংগদগে তাকপীয়ু। মণিপুরদা হায়কোর্ট অমা লৈবগী কান্নবা মচেৎ অমসু ঐখোয়না ফংজগে।*

**অদোমগী,**
**এস শান্তিবালা দেবী**
**মহৈরোই অমা**

# নীংতম্বা অচুম্বা মীখলগী মায়কৈদা

*এল কলা সিংহ*

ভারতকী চৎনরিবা ডেমোক্রেসি অসি মীখলনা মরুনি, মীখলদা মায়পাক্কবা মীহুৎনা শেম্বনা লৈঙাক তৌরিবনি। অদুগা অসিনা লৈঙাক চুক্লি শক্তি পায় হায়বগী চৎনবীনি। মীওইপোত্তন নুংঙাইবা হায়বসিসু মখল মখা কয়াগী ইথিলগী ওইবা নুংঙাইবা খেৎনবা খুৎনুংঙাই মখল লৈ হায়রগসু পুম্না য়েংবদা ইথিল কয়াগী নুংঙাইবা হায়বসি লৈঙাক্তবু ওইরো লৈঙাক নৎতবদবু ওইরো শক্তিবু পায়রবদি নুংঙাইবা চৎনবী ওইরমলে। মীওইবনা মীওইবগী মরক্তা শক্তি পায়নবা হোৎনরকপদগী অফ–ফত্তা করিনো খঙদবমখৈ অঙম তান্নবা, মুক্কবা নুংশিনদবা হায়বসিগী মরু হুহল্লক্লিবা পোরমনি অদুগা অহৌবসুনি। মতাং স্বাইদা ভারত লৈঙাক্কী ওইবা ৱাফম চীংশিল্লক্লগা মীহুৎকী ওইবা শক্তি অমা পায়ননবা হোৎনরকপদা মীখল তৌরকপা মতমদা মানা মানা ঙম্বা, মাগী মাগী ওইবা কাংলূপ্পা শক্তি পায়নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরকলিবা অসিনি। অঙম্বা থাক হায়বসিদদি অমুক অফবা ফত্তবগী খেৎনবগী মথৌ তারক্ত্রে। অসিসু মরম অমদি ওইরম্বা য়াই, ভারত সংবিধান শেম্লকপদা অফবা ফত্তবগী খেৎনবা মরি থম্নবা মীখলগা মরি লৈনবা থবক খুদিংমক মনিং তৌনা তৌবা ঙম্নবা, পাংথোকপা ঙম্নবা পান্দমদা য়াম্না অৱাংবা থাক্কী লোইশং ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ই. সি. আই) লিংদুনা থম্লিবা মীখলগী মতমদা ফত্তবা থবক হায়বসে অমত্তা তৌদনবা, অফবা ৱাখল্লোন ঙাক্তগী ওইবা, অচান মীরাই নাইবা য়াদবা, অশোয়বা অহোবা লৈতবা নিতি নিয়ম কয়া মতম মতমগী ওইনা শেমদোকপা শাদোকপা তৌদুনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া মীখল হেক হেক পাংথোক্তুনা ভারত সংবিধানগী ওইবা পারম কাংলম কাইদনা ভারত লৈঙাক ঙসি ফাওবা চত্থরক্লি। মীখলগী মতমদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা শেম্বা নিতি নিয়ম অশোয়বা লৈতে, অহোবা লৈতে নিতি নিয়ম ঙাক্লা চৎতবা য়াদে ইন্দবা য়াদে হায়বা কয়া অমা লৈরবসু অমদি ফনা কন্না হোৎনরবসু শুঙম ঙমদনা চৎনবী অমা ওইনা থিংবা ঙমদনা লাক্লি। থিংনবদি হেক অঙম্বা উপাই তৌদুনা হোৎনৈ ঙম্বা কৌবদি লৈতে। মসিনা তাকপদি ই. সি আই না তৌরিবা অশোয়বা লৈত্রে হায়রিবা ইলেক্ত্রোরিয়েল প্রোসেস অসি নাকল অমগী ওইবা কাদাইদনো অমদি শোয়রি হায়বা তাই। শোয়রে হায়বসে খংন–খঙনা করি অমত্তা তৌবা ঙমদবা অমা ওইনা চত্থরক্লিবা থৌওং অমদি মীখল খুদিংদা মীরেপশিংনা ভোটরদা পৈশা পীবা অমসুং ভোটরশিংনা পৈশা লৌবা হায়বসিনি। ই সি আই না মীরেপশিংগী মীখলদা খরচ অকক্লবা চাংদা থম্নবা মখল কয়াগী থৌরাং তৌদুনা হেক ঙম্বা মখৈ মখল মখা কয়াগী উপাই পাম্বৈ শীজিন্নদুনা থিংনবা হোৎনরবসু পূম্নমক অরেম্বা তাদুনা লাক্লি। অহোইনদুম হেন্না হেন্না হেনগৎলক্লি। ভারতকী মীখলগী ভোটরদা পৈশা পীবা য়েনবা অমসুং ভোটরনা পৈশা লৌবা অনিসি চৎনবী অমা ওইনা ভোৎ থাদরিবা মীপুম খুদিং অমদি থাদবদি য়াদ্রিবা য়ারক্কদৌবদি য়াম্না নকশিল্লক্কবা মীপুম খুদিংনা অদুমক খংই। অদুগা ফে নৎত্রগা ফত্ত হায়বসু অদুমক ঙাংনগনি হায়নগনি অদুবু মীরেপশিংনা পৈশা য়েনগনি পীগনি অদুগা ভোটরশিংনা অদুমক পৈশা লৌগনি নৎত্রগা কান্নবা অমদি অদুম লৌরগা ভোৎ অদুম থাদগনি। ভোৎ অদুম লোইখিগনি অদুমক অদুম মথংগী মীখল অমুক ঙাইগনি। অমুক লাক্কনি পৈশা অদুম মীরেপনা য়েনগনি পীগনি পৈশা অদুম লৌগনি নৎত্রগা কান্নবা অমা অদুম লৌগনি। মসিনি ভারতকী মীখল। অদুনদি ই সি আই না ইন্দিপেন্দেন্ট বোডি অমা ওইনা হোৎনজরবসু মীখলসিদি উরু উরু উংদুনা লৈবা পৃথিবীগী খোংচৎ অমগুম্না মীখলদা পৈশা পীবা পৈশা লৌবা হায়সে ভারত মীখলগী ফিনোমেনন অমা ওইনা উংদুনা লৈরে। মসি শেমদোকপা ঙমদ্রিবা, য়াদ্রিবসিনা তাকলিবদি ভারতকী লৈঙাক শাসন অসি মায়কৈ খুদিংদা হিরম খুদিংদা জ্ঞান তাদবা, অশোয়বা, পৈশানা হুমদুনা পুখ্রবা অমা লৈরে। অদুগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদসু অমুক ই সি আইনা সংবিধানগী চৎন–পাথাপকী মতুংইন্না মতম মতমগী মতুংইন্না পাংথোক্লিবা অসি অফবা মীখল অমা ওইনবা অফবা মীয়ামগী ওইবা মীহুৎ অমা ফংনবা হোৎনবদা মরম কয়াদা মায়কৈ কয়াদা হোৎনরিবা অমদি চংলিবা পৈশাগী চাদিং মেন পৱার পূম্নমকসি য়ামখ্রবনি ৱাখ্রবনি। হকথেংনরিবা ময়ামসিনা পূম্নমকসি অফবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্কবা শিংথানিঙাইওইবা, চাওথোকচনিংঙাই ওইবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা লৈরি হায়না পৃথিবীগী লৈবাক কয়ানা তমজনিংঙাই অমসু ওইনবা হোৎনরিবনি। প্রজাশিংনা য়াম্না হকচিন্না লুম্না লৌদনা ইকোম কোম্না লৈদুনা পৈশা পীবা লৌবগী চৎনবিদা উংদুনা মীখল অমদগী অমা ঙাইদুনা লৈবা হায়বা অসি লাইবক থিবনি। চাওখৎপা ৱাৎলি হায়না লৌবা তাই। খুন্নাইগী ওইবা অহোংবা কয়া লাক্লিবসিদা ই সি আই না থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া চেদা চুমদুনা লৈবগী ৱানি থবক ওইনা থেংনরকপদা য়াদবা ময়াম পুথোক্তুনা সংবীধান শেমদোকপা মতম ওইরে হায়বা ইলেক্তোরিয়েল প্রোসেসসু শেমদোকপা মতম ওইরে হায়না থিন্দুনা তাকপা পুথোকপা মতম ওইরে। অফবা থৌশিলনি পৈশা য়াম্না চংনা হোৎনরিবা ফোটো ইলেকটোরিয়েল রোল থম্নবা হোৎনরিবা চৎনরিবা অসি অদুবু ভোটরশিংগী ফোটো আইদেন্টিতি কার্দ অসিদি ভোটর লোইনমক মশা মশাদা হকথেংননা পীবা ঙমদবা য়ৌহনবা ঙমদবা অসিনা মরম ওইরগা মীখল মতমদা ভোৎ থাদবা য়ানবা অতোপ্পা মখলগী ওইবা শক্তাকচেনা ভোৎ থাদবগী চৎনবী অসি ওইরবদি পৈশা কা হেন্না চংনা ফোটো ইলেকটোরিয়েল রোল নম্বগী করি কান্নরিবগে?

> ‘ই. সি. আই না থিংনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু থিংবা ঙমদবদি মীরেপনা পৈশা পীবদা ভোটরনা লৌবা অসিদগীনি । অদুনা মসিমক পৃথিবীগী খোঙচৎনা উংদুনা লৈবগুম্না মীখলদা পৈশা পীবা অমসুং লৌবা হায়বসি ভারত মীখলগী ফেনোমেনন অমা ওইনা উংদুনা লৈরবা চৎনবী অমনি’

অফবা খুন্নাই অমগীদমক মীখল তৌদুনা অফবা মীহুৎ অমা থিবদা চপ মান্নবা মীৎয়েং থম্লিবনি হায়দুনা সংবিধানগী মতুংইন্না চহীবু শুরবদি ভোৎ লেপ্পা য়াহনবা হায়বসে হোংলকলিবা মতম অসিদা চানরকত্রবা অমা ওইরক্লে হায়না খনবা নৈনবা মতম ওইরক্লে।

মীখলদা মীরেপ ওইরিবা খুদিংগী মশা মশাগী ওইবা মরমগী ওইবা শক্তাকচবা (বাইও দাতা) চেরোল ৱাশক চে ই সি আই দা পীশিল্লকপা ৱারোলগী ওইবা চেরোল মীয়াম প্রজা হুপ্পা খংনবা ই সি আই না অচংবা খরচ পুথোক্তুনা লৈবাক মীয়ামদা খংহন্নবা চেজাই চাইবীবা অফবা কান্নবা খোংথাং ওইগনি। মশাগী ওইবা ৱারোল পীরকপদা খুন্নাইগী অফবা তৌগদৌরিবা মীওই অমা ওইবনিনা মানা করিগুম্বা ভোৎ কারবদি মীয়াম প্রাজাগীদমক করি তৌগনি, কদাই ফাওবা কৎথোকপা ঙম্বা হায়বনচিংবা মহাক্লা তৌগদবা পাংথোক্কদবা মীয়ামদা মাংজৌননা খংহন্দুনা খংহনবগী থবক ই সি আই না হোৎনবা অমা অমসুং ভোৎকী মিতিং মশিং ককনা মরনাইগী ওইবা নৎত্রগা পার্টিগী ওইবা নৎতবদা অপুনবগী ওইনা ই সি আই না মফম মতম পূম্নমক শীন্দুনা অচংবা খরচ পুথোকপীদুনা ৱা ঙাংনহনবা (দিবেট) পাংথোক্কবা হোৎনবনা হেন্না ফগনি। এৱার্নেস পীবগী মহুত্তা। য়ুমথোং খুদিংদা চংদুনা ভোৎ খোম্বা য়াবগী অয়াবা পীবগী মহুত্তা ৱা ঙাংফম মফম মতম পীদুনা মথং মথং ঙাংহন্দুনা মশা মশাগী তৌগদবগী হৈথোই শিংথোইবা উৎথোকপগী তাঞ্জা পীহনবা শীনবা তারবদি পৈশা পীবা অমসুং লৌবগী চাং য়াম্না হাথহনবা ঙমগনি। য়াদবা মীওই মীরেপ ওইবা য়াহন্দবনা অফবা মগুণ লৈবা মীহুৎ খনবা ঙমগনি।

মীখল পাংথোকপদা মীখলগী থবক পাংথোকপা থারিবা মীওইশিংদা পীবা পোস্টেল বেল্লোট পেপর নিয়ম চুম্না অচুম্বা মওংদা পীরবসু ভোৎ থাদদুনা ভোৎ মশিং থিবা নংনবা পীশল্লকপগী নিয়ম শেমদোকপা য়াম্না মথৌ তাই ই সি আই না। মীরেপ্পা নৎত্রগা মীরেপকী মীহুৎনা পোস্টেল বেল্লোট পেপর পুল্লপ পুল্লপ পুদুনা লাক্লগা পীশিনলম্বা থাদরম্বা হায়বসি অচুম্বা ইলেকটোরিয়েল প্রোসেস অমা ওইদ্রে ই সি আই না খংবা মতম ওইরে। শেমদোক্কে হায়রবদি পীবগা খুদক্তা মশানা থাদহনবা য়ানবা মফম অমা শীন্দুনা থাদহনবনা অচুম্বা খোংথাং ওইগনি।

অতোপ্পা অমনা মণিপুরগী ফীভমদা চীংগী মনুং হনজিনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা নৎত্রগা মনুং হনজিন্দবা মফমদবু ওইরবসু মীখলগী মতমদা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ই সি আই না সি সি টি ভি কেমেরা থমদুনা মোনিটর তৌদুনা অচুম্বা মীখলগী ওইবা ভোৎ থাদহনলিবনি হায়না লৌরিবা অদুক য়াম্না কান্নবা অমদি অচুম্বা মীখল ওইরমদবসু য়াই। কেমেরা খিনবগী মথক্তা শীজিন্নরিবা লো ইনফোর্সিং এজেন্সি ওইনা খুলায় পায়দুনা শংলিবা মীওইশিংদা অহেনবা শক্তি পীদুনা নিয়ম চুম্না ভোৎ থাদহনবা ঙম্লবদি চীংদা অফবা মীহুৎ খনবদা অচৌবা অহোংবা লাক্কনি। অদুগা মীখল পাংথোকপা মতমদা চীং অমসুং তম নোংমতদা ভোৎ তৌরবদি অচুম্বা অফবা মীখল অমা ওইবদা মতেং য়াম্না ওইগনি। মরু ওইনা চীংগী মীওইনা তমদা লৈরগা দবল ভোটর ওইদুনা ভোৎ থাদবা খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি।

# দি মণিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস এক্ট, ১৯৭২

## (১৯৭৩ গী এক্ট নং ৪)

**মোইরাংথেম রাজেন্দ্র**

(১৮) লল্লোনপোৎশিং নৎত্রগা পোৎচৈশিং পুন্না নৎত্রগা চোইনা শেল পীরগবু ওইরবসু শোক্তুনবু ওইরবসু য়োনফম ওইনা শীজিন্নরিবা য়ুম (শঙ) অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা আইন অসিগী মরমশিংগীদমক্তা দুকান অমনি হায়না খঙহন্দুনা লাউতোক্লবদুবু “দুকান” কৌই অদুবু মীয়ামদা পীজপীথক্তুনা নৎত্রগা নুঙাইহন্নবা তৌরিবা লল্লোন ইতিক্কী লোয়শঙদি য়াউদে,

(১৯) নোংমদা থবক হৌবগা থবক থাবগা অনীগী মরক্তা লৈবা মতমগী তাঙকক অদুবু “থবক্কী অকক্লবা পুঙশিঙগী তঙাইফদবা য়েংদুনা শীন্দোকপা” কৌই,

(২০) মণিপুরগী ষ্টেট গভর্নমেন্টপু “ষ্টেট গভর্নমেন্ট” কৌই।

(২১) শিন্মী অমগী খুৎশুমল পীবগী মরীদা সেক্সন ১৬ কী মখাদা শীনবু অমানা অদুগুম্বা শিন্মী অদুগী ওইনা লেপ্পা খুৎশুমল পীবগী মতমগী তাঙ্কক অদুবু “খুৎশুমল পীনবা মতমগী তাঙ্কক” কৌই।

(২২) দি পেমেন্ট ওফ ৱেজেজ এক্ট, ১৯৩৬ (১৯৩৬ কী ৪ শুবা) তা পীরি খুৎশুমল হায়বদুবু “খুৎশুমল” কৌই, অদুগা শিন্মী অমনা মতম মতমগী ওইনা ফংবা য়াবা শেলহাপ অদুসু মসিদা য়াওই।

(২৩) থাংজগী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা নুমিৎ তরেৎনীগী তাঙ্কক “চয়োল” কৌই।

(২৪) জনুৱারীগী অহানবা নুমিত্তগী গ্রেগরিয়ান কেলেন্দরগী থা তরানিথোই তাঙ্কক অমবু “চহী” কৌই।

৩। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লাউথোকপাঃ

(১) এক্ট অসিদা য়াউরিবা করিগুম্বা অমত্তদা অকায়বা থোকহনবা লৈতনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা দুকান অমবু নৎত্রগা লোয়শঙ অমবু নৎত্রগা মখোয়দুগী কাঙলূপ অমবু ওফিসিয়েল গেজেত্তা, এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা দুকান অমনিবু হায়রবসু লোয়শঙ অমনিবু হায়রবসু হায়দুনা খঙহন্নবা লাউথোকপা য়াই।

(২) সব–সেক্সন(১) গী মখাদা অসুম্নবু লাউথোকখ্রবদি খঙহল্লিবা অদুদা পন্দুনা য়াওরিবা দুকান্দুবু ওইরবসু নৎত্রগা লোয়শঙদুবু ওইরবসু মদুদা এক্ট অসি চলাইগদবা দুকান অমনি নৎত্রগা লোয়শঙ অমনি হায়না লৌগনি অদুগা অদুগুম্বা দুকান্দুদা নৎত্রগা লোয়শঙদুদা এক্ট অসি চলাইগনি।

৪। দুকানশিং, লোয়শঙশিং অমদি মীশকশিং খরদা এক্ট অসি শীজিন্নবা য়াদবাঃ

(১) এক্ট অসিদা য়াউরিবা করিগুম্বা অমত্তাঃ

(এ) ইউনিয়নগী (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী) নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী নৎত্রগা লোকেল ওঠোরিটিশিং অমদি রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমদি নেস্নেলাইজ তৌরবা বেঙ্কশিং অমদি কোর্পোরেসনশিংগী ওফিসশিংদা,

(বি) ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস, মোটোর সার্ভিস, খুৎশা হৈবগী থবক, বিজলিগী শক্তি, মঙান নৎত্রগা ঈশিং ঈয়ামদা হুন্দুনা কারবার নৎত্রগা থবক্তা অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা খঙহন্দুনা এক্ট অসি চৎনহন্দবা মীয়ামগী কান্নবা ওইগদবা কোর্পোরেট বোডিশিং অমদি এসোসিয়েসনশিং নৎত্রগা মদুগুম্বগী কাঙলূপশিংদা,

(সি) ইউনিয়ন্না নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চলাইবা লোয়শঙশিংদা,

(দি) অনাবা লায়েংনবা নৎত্রগা অনাবা, অশোনবা, পূক্লিং লৌশিং মাঙদুনা ঙাউরবা অমদি করিশু লৈজদ্রবশিংগী চেকশিন থৌরাং পায়খৎনবা লোয়শঙশিংদা,

(ই) ফার্মাসিশিং নৎত্রগা মরুওইনা হিদাক লাংথকশিং, থাঙ থাবগী নৎত্রগা হিদাক্কী খুৎশু খুৎলায়শিং য়োনবগী মরীদা লৈবা দুকানশিংদা,

(এফ) থাঙ থাবগী নৎত্রগা অনা লায়েংশঙগী য়ুমশিংদা,

(জি) অশিবগী পোৎলোইবগী, ফুম্বগী নৎত্রগা মৈ থাদুনা পোৎলোইবগী অচঙবা পোৎলমশিং য়োনবগা মরী লৈনবা কারবার তৌবা দুকানশিংদা,

(ঐচ) মনা মশিং, শদুম, ঙা, শঙ্গোমগী পোখোক, তল, অথীৎপা য়াম্না শাবা অচাপোৎশিংনা মরু ওইনা চোইনা য়োনবগী থবক তৌবা দুকানশিং নৎত্রগা কৈথেলশিংদা,

(আই) সরকারগী ওইবা নৎত্রগা সরকারনা চলাইবা শঙশিংগী মনুংদা লৈবা কোইশিনা মফম নৎত্রগা ইস্কোল মনুংদা ইউনিয়ন নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চলাইবা নৎত্রগা অয়াবা পীদুনা চলাইবা কৈথেলশঙ নৎত্রগা হকচাং তেকখৎনবা অচা অথক য়োনবা কাশিংদা,

(জে) করিগুম্বা মীয়ামগী মেলা নৎত্রগা পোৎচৈ উৎপা মফমদা ফম্বা দুকান, কৈথেল শঙশিং নৎত্রগা হকচাং তেকখৎনবা অচাপোৎনচিংবা য়োনবা কাশিং নৎত্রগা অদুগুম্বা মেলা নৎত্রগা পোৎচৈ উৎলিবদুগী মরুওইবা মরমশিংগী মতেং ওইনা নৎত্রগা অৱাৎ অপা মেনখৎনবা তেকখৎনবা অচা অথক্কী কাশিংদা,

(কে) মীয়ামগী মেলাদা ফম্বা দুকানশিং নৎত্রগা কৈথেল শঙশিংদা,

(এল) পেট্রোলশিং পোখোকশিং কারবার তৌবা দুকানশিং নৎত্রগা লোয়শঙশিংদা,

(এম) এক্সাইজগী দুকানশিংদা,

(এন) কনাগুম্বা লমকোয়বা, পোৎ লৈনবা য়াথং নীবা মী, পোৎশঙবা মী, পাউখোল্লোই নৎত্রগা শেন্নবা লৈবা মী অমগুম্বা মখোয়গী শিনফমগা শাগোন্নবা ওইনা মরক মরক্তা লেপ্প নাইবা থবক তৌবা মীশকশিংদা,

(ও) পোৎ চৈশিং খোম্বা, থাদোকপা, পীথোকপা নৎত্রগা পুথোক পুশিন তৌবখক্তগী নৎত্রগা মখোয়দুগী মাগুণ লৌবগী হৌনবীশিং তৌরিবা মীশকশিংদা অমদি,

(পি) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা এক্ট অসিগভী ৱারোল পূম্নমক নৎত্রগা অমা মখোয়দদি চলাইরোই হায়না খঙহল্লবা অদুগুম্বা অতোপ্পা দুকানশিং লোয়শঙশিং নৎত্রগা মীশকশিংদা চলাইরোই।

**মখা মথং য়ুমশকৈশদা...**